ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ১২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৮৭শুবা মশীং

# সী বি আই মনুংগী ৱাথোক

## মীয়ামগী থাজবা মাঙখিনবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই

*খ্বাইদগী* মরুওইবা অমসুং মতিক-ময়াই লৈবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) মনুংদা মোত মান্নদবগী ফীভম অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। ঙাইহাক লৈতনা এজেন্সী অসিগী দিরেক্টর শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবা, অমনা অমগী মরাল শীনবা অমদি ৱায়েলশঙগী মতেং লৌদুনা অঙম তান্নবগী থৌওং অমা চৎথদুনা লাক্লি। শগোলশেন নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী সিলেক্সন কম্মিটি অমনা পুং ২ চুপ্পা মীফম পাঙথোক্লগা সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্ম্মা মফম লৌথোকখি। লোক সভাদা এম পি মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা মালিকঅর্জুন খার্গে অমদি সুপ্রীম কোর্টকী অনীশুবা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ, এ কে সিক্রিসু য়াওবা সিলেক্সন কম্মিটিনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরগা অলোক বর্ম্মা মফম লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জষ্টিস এ কে সিক্রিনা অলোক বর্ম্মা মফম লৌথোক্কদবনি হায়না মোত পীখি। কোংগ্রেস লুচিংবা মালিকঅর্জুন খার্গেদি থৌরাং অদুগী মায়োক্তা লেপখি। মফম লৌথোকখ্রবা বর্ম্মাবু এপোইন্টমেন্ট কম্মিটি ওফ কেবিনেট (এ সী সী) না ফায়র সার্ভিসেস, সিভিল দিফেন্স অমসুং হোম গার্দকী দিরেক্টর জেনরেল ওইনা থৌ পুহনখি। সী বি আইগী এদিসনল দিরেক্টর এম নাগেশ্বর রাওবু এজেন্সী অসিগী অনৌবা দিরেক্টর খন্দ্রিবফাওবা নৎত্রগা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবফাওবা দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহনখি। সী বি আইগী মকোক অলোক বর্ম্মা অমদি স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনাগী মরক্তা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখ্রবা মতুংদা মকোক থোংবা ওফিসল অনীমক হৌখিবা ওক্টোবর থাদা নমদুনা ছুটিদা লৈহনখিবনি। ‘‘ফোর্সদ লীভ’ পীবগী থৌওং অদু অলোক বর্ম্মানা সুপ্রীম কোর্টতা শিংনখি। এপেক্স কোর্টনা ৱায়েল চৎথরবা মতুংদা বর্ম্মাবু জন্যুৱারি ৮ দগী অমুক হন্না দিরেক্টর ওইহন্নবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক সিলেক্সন কম্মিটিনা ৱারেপ অবা লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা বর্ম্মানা সী বি আইগা মরী লৈনবা মরুওইবা ফিরেপ অমত্তা লৌবা য়ারোই হায়না সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চনা ৱায়েল পীখি।

অলোক বর্ম্মা ফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা সী বি আইগী এদিসনল দিরেক্টর এম নাগেশ্বর রাওবু মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবফাওবা এজেন্সী অসিগী দিরেক্টর ওইনা থৌ পুহনখি। কুমজা ১৯৮৬ বেটচ (ওদিষা কাদর) গী আই পি এস ওফিসর নাগেশ্বর রাওনা সী বি আইগী ইন্টরিম দিরেক্টর ওইনা থৌ পুবা হন্দক্লা অনীরকশুবনি। হৌখিবা ওক্টোবর ২৩ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াথং অমনা সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্ম্মা অমদি স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনা মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা নাগেশ্বর রাওনা মরক্কী দিরেক্টর ওইনা থৌ হেক পুবগা মকোক থোংবা ওফিসল কয়া ট্রান্সফর তৌখি। ট্রান্সফর তৌখিবা ওফিসলশিংগী মনুংদা অস্থনাগী মথক্তা করপসনগী কেস অমা থিগৎলিবা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এ কে বাসি, দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল এম কে সিনহা অমসুং জোইন্ট দিরেক্টর এ কে শর্ম্মা য়াওখি। থা অসিগী ৩১ দা থবক্তগী পোৎথারগদবা অলোক বর্ম্মাগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস নিপান সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না থাঙ্গৎলকখিবনি। হৌখিবা ওক্টোবর ১৫ দা অলোক বর্ম্মানা মহাক্কী দেপ্যুটি রাকেশ অস্থনাবু শেঞ্জা-থুমজা তৌই অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই অমদগী লুপা ক্রোর ৩ লৌখি হায়না কেস থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা সী বি আই মনুংগী ৱাথোক থোরকখিবনি। অমরোমদা, অস্থনানসু বর্ম্মাবু শেঞ্জা-থুমজা তৌই অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকী মথক্তা চৎথবা ইনভেষ্টিগেসন থিংজিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিরকখি। মতৌ অসুম্না মকোক থোংবা ওফিসল অনী অয়ৌবী থাক্তা মুক্নরকপদগী ওক্টোবর ২২ দা সী বি আইনা এজেন্সী অসিমক্কী ন্যু দিল্লিদা লৈবা হেদ ক্বার্টরসতা থি-হুম্বা চখখি। থংনবা নুমীৎ ওক্টোবর ২৩ দা অস্থনানা দিল্লি হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মহাক্কী মথক্তা লৈরিবা এফ আই আর ককপীনবা হায়জখি। হায় কোর্টনা অস্থনাগী ৱাকৎ তারগা মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবফাওবা মহাক ফাবা য়ারোই হায়না ৱায়েল পীখি। ওক্টোবর ২৩ অমসুং ২৪ গী লোন্নবা অহিংদা লৈঙাক্লা বর্ম্মা অমসুং অস্থনাবু ফোর্সদ লীভ পীদুনা ছুটিদা লৈহনখিবদগী ৱাথোক হেন্না চাউথোরকখি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টনা লৈঙাক্কী য়াথং পুম্নমক চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা বর্ম্মাবু খুদক্তা থৌ পুহন্নবা খঙহনখি। নুমীৎ ৭৭ ফোর্সদ লীভ পীরুরবা অলোক বর্ম্মানা শগোলশেন নুমীৎতা থৌ পুবা হেক হৌবগা জোইন্ট দিরেক্টর অজয় ভটনাগর, দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল এম কে সিনহা, দি আই জি তরুন গোবা, জোইন্ট দিরেক্টর মুরুগেসন অমসুং এদিসনল দিরেক্টর এ কে শর্ম্ম ট্রান্সফর তৌখি। পুম্নমক অসিদা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙবা মানবগী থৌওং উবা ফংলি। মতৌ অসুম্না খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা চত্থরল্লিবা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা সী বি আইদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা পুম্নমক মাঙখিবা য়াই। তানফম অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### থম্মোয় শেংনা পুরকপা ঙমগদ্রা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মখোঙ* তেকপনা চীং কাবা ঙমদবগুম, ফত্তবগী হীদাক লৈতে। কুন্দো কৌবা লৈনা থাজগী মঙালগুম ঙৌরোক ঙৌরবা বর কন্যাগী ঙকশমগী লৈতেংনা লৈপুন ওই, অপাম্বনা মাঙহনবা মীওই, মঙালনা অমম্ববু কোকহনবসি নুংঙাইবা অমসুং মায় পাকপগী মশকনি। পোকপনা নুংঙাই, শিবনা ৱাই, কাঙলূপ মশেল চান্না চিন্না লৈমিন্নবনা ঈং-তপ্পনি, অরানবা নুংশিনদবনা অৱাবগী শক্তমনি, কনানসু ঙাকপীদে, অফবগী মতিক মগুন্না শিংথানৈ। অহাংবদা কোয়চৎ চৎপা, কোইপাই পাইবা, ৱাখল লৈবা, লৈতবা অনীনা লৈরি মালেমসিদা।

পাক্লবা ঈপাক্তা শাবা থোং মথক্তা অচৌবদগী অপিকপা জীব ককচেং ফাওবনা ইরায় লায়না লান্দুনা চৎপা ঙমই। অচৌবনা তৌবা ঙম্বা অদু অপিকপসু তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈজে। মথৌবু নিংথিনা পাঙথোক্ত্রবা, থবকপু ফজনা লুনা তৌদবা অমসুং মথৌবু মশক খঙদ্রবা মখোয় পূম্নমক্কী তোঙান তোঙানবা অফ-ফত্তবশিং অদু ময়াম্না লোইনা খঙনবা ঙাক্তনি। অদুবু অফবা মীওইদি চান্না চিন্নবা ওইরি। মমিং য়াম্না চৎলি, ৱা হৌনা ঙাঙবা ঙমদ্রবদি থবক ওন্থোকপা হুগী মশকনি, থাদোক্লবা খক য়াদবনি।

ফত্তবগী মতিক মগুণদি মপান নাইবনি অমসুং মরেপ লৈতবনি খঙনা খঙনা থাদোকপা খক ঙম্নদে। মসি চানীংবা এঞ্জাং থোংদুনা চাবগা পাংখক্লি। অদুবু খ্বাইদগী অথোইবা শঙ্গ ফংলবদি ফত্তবা মীশিংসু অফবা তৌরকই । অদুম ওইদুনসু মখোয়গী মীংচৎতি অমোৎপা ওইদুনা খক মাঙবা লৈতে হায়বসি ৱারী লাইরিক্লা অদুম খঙনরবা ঙাক্তনি। ঐহাক অসিবু তোল্লবা মীশকনি হায়না খনবিরগা ঐনা মখোয় খুদিংদা ফত্তবা তৌদনবা নোঞ্জনা হায়জবনি। ঐগী বুধিনা কা হেন্না নেম্মি, অদুগা অপাম্বনা কা হেন্না ৱাংলি। মাখন শুমদোকখ্রবা লেমহৌবা শঙ্গোমগী মহী ফাওবা ফংঙমদ্রবা ঐনা অমৃতবুসু পাম্মুরিবগুমনি।

থৌদোক ৱাথোক্লা থল্লবা ইরমদম করম্বা মতমদা নেমগদবা, কৈথেল ফম্বগী ৱাথোক, লৈরক্তা ঈশিং থৈথবগা মান্নরবা ককশাবী কয়াগী থৌওং, অমম্ববু ঙালহনগনি খল্লিবা ঈরাং ময়াম, মীওইবগী পূক্লিংদা লৈরিবা অপাম্বগী ফত্তবা লীচৎ, মীচং মীখায় নাইবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাখল, পোৎকী মমল ৱাংখৎলকপগী খুদোংথীবা, অঙম্বনা তৌনীংবতা তৌবগী থৌওং, লায়রবগা ইনাকখুনবগা অনীদি সমুদ্রগা লাংখোংগা লম্বা পাবগী থৌওংনি। ধারনা, বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, শিন্থা লেপ্পা ময়াম্না চয়োম শাবা, হৌজিক ঐখোয়গী ইরমদম অসিনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অসি করম্বা মতমদা খুন্নাই অসিদা লৈতাবা ফংগদবা? মশক মতৌ চংখোনবী/ফজরবী, মথোৎ কারকপী কয়াবু উরুবদা সংসারগী মায়া থাদোক্লবা লম্বোইবদু লম্বোইবনি হায়বদু পুমকাও কাউথোকখিবগুম চংখোনবী কন্যাসি করম তৌরগা ফংগদগে হায়না খনবা অঙম্বশিং, চৎন-কাঙলোনশিংনা পুর্নিমা থাজবু রাহুনা উম্বগুম অফবনি খনবা অতোপ্পদদি মাঙনবা মশক ওইরবনি ঙসিগী খুন্নাইসিদা। পাঙথোক্কদবা থৌদাংসু য়াম্লি, তৌগদবা থবক্তি য়াম্না তেল্লবা মতম অসিদা। অদুবু ৱাখল তৌনা চৎপা তাই, তেল্লবা পুন্সিগী খোঙচৎতা থম্মোয় শেংনা পুরকপা ঙমগদ্রা?

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

# বিলাইটি পাউতাক

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



*‘‘নখোয় লোইনা হাৎপা ঙম্মী, নখোয় লোইনা থবাক অদুদা কাপথৎ-কাপথৎলগা লোইশিনবা ঙম্মী। ঐ য়াম পেন্দে... করিগী ঐবু পোকপীরম্লিবনো? ঐবু পোক্লগা নখোয় করি তোংজবা লৈবগে? করি কান্নবগে নখোয়না ঐবু পোক্লগা হা...ও...ওক...।’’*

পেন্দি পেন্দ্রবজাৎনি ইমোতোম্বা অসি। মাগী ৱাঙাঙ অসিদা কাপথৎপা, লোইশিনবা, কৈদৌনা পোকপীরম্মিবা হায়বা ৱাহৈশিং অসি য়াম্না তোয়না হায়বদা নত্তনা য়াম্না মরাং কায়খৎলক্লি। মসি চহী অমরোমদা ঙায়রি। মশানদি মহাক চহী য়াম্লে হায়জে অদুবু ঐনা খঙবদা মশাগী চহীদি কুনমঙা মপূংদা মঙায়রি। মানা নুমিৎ খুদিং অহিং নোংয়াই খুদিংগী খুলদগী য়ু থক্ল-থক্লগা হল্লকই। মাগী পেন্দবা তেংবমখৈ লাউথোকই।

মমা অদুনা মোবাইল ফোন্দা খঙনবা পাখং অমদা ময়ূম পানখ্রে হায় অদুগা মপা অদুনা মৌ অমা লৌরগা নুপী মপামদা য়াওং ইন্দুনা লৈখ্রে। মসি মী অতৈদগী লৌবা পাউ নত্তে ইমোতোম্বা মশামক্লা ঐ ইশামক্তা নহান নোংমা তল্লম্বনি। ঐনা মাগী মরমদা খঙবা অসি নহান্নোং ফাওবদা মসি ফাওবদনি। নহান নোংমা হায়জরিবসি ঙরাংগী মমাঙ নহান অদু খক্তা নৎচদে। নহানগী মমাঙ খরনিগী নহানশিংসু য়াওরি । অদুনা অতোপ্পা নহান নোংমা অমা ইমোতোম্বনা ৱারী অমা তৌরকই। নুমিৎতুসু মহাক মাগী হৌনবী মরোল মরী অদুম ফাইরকই, খোঙথাং অদুম কায়রকই। মনাক নকশিন্না ৱারী তাবা ঙমদে। জর্দা মতপ অমগা পারকপা য়ুনম ওইবনা । মানা অসুম্না হায়রকই-

- ‘‘কাকা, ঐ য়ূম পাল্লুরে।’’

ঐনা খুম্মী - ‘‘হা, ঐদি তাহৌদেনা।’’ তশেংনা ইমোতোম্বনা য়ূম পানখিবসু তাহৌদে । মতুংদা মানা য়ূম পাল্লুবা হন্দোক্নখিবসু শুকতা তাহৌদে। কদাইদগীসু তাগনি, মাগা ঐগা পূনখিদবসু চহী তরা হেল্লে। মাগী ঐগী থবক থবক্লা য়ানদদনা। মাগী ৱারীদগী খঙলে - মা য়ূম পাল্লুরে, অদুবু মাগী নুপী অদু ময়ূমদা হল্লকখিদরে। মতম খরা মাগা লৈমিন্নরম্লগা। মতম খরা হায়বদি থা অহুমখক্তং। মানা য়ূম পাল্লুবগী মখা তারকপগী খোঙচৎনি মানা নুমিৎ খুদিং অহিং নোংয়াই মতুং খুদিংগী লাউ খোংনা, লাউ খোংনা হল্লক্লিবা খোঙচৎ অসি।

ইমোতোম্বনা হায়, ‘‘ঐ মাগা কায়নবদা য়াম্না ৱায়। ৱাবা নৎতে শিরমদাইগী পাংখক্তৌনা ইশা পূম্বা হীকথবনি, হৌজিকী কথবা লোইদ্রি, হৌরকপদা ঙায়রি।

ঐনা হংলুই, ‘‘অদুগা নহাক্কী নুপী অদুদি হৌজিক করমদি তৌখ্রে।?’’

মাগী পাউখুমদি - মহাক ঐখক্তগী খনবী অমা ওইখিদ্রে, কাকাগীসু, ইন্দোমচাগীসু, কাকাগী ইচাশিংগীদসু নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পূম্নমক্কী খনবী, পূম্নমক্কীদমক থৱায় কৎথোক্লগে খনখ্রবী অমা ওইখ্রে। ঐগী নাক্তা মহাক অমুক হন্না লাক্লরোই।’’

মদুনা তাকপদি মহাকপু নহাক্কী ননাক্তা মতম খরা নহাক্লা পোনগী চেক্লা অমগুম্না ফাজিল্লগা থল্লুরে নৎতরা?’’ ‘‘মানি কাকা, অসি হায়রগা মহাক হীক্লা হীক্লা কপথোরকই।

মশাদু ঈ থাংদ্রবা মীশক অমা ওইনা উরে, ফিজেৎ চাকচাসু মফম মরাং খঙদ্রে। নুমিৎ খুদিংগী মহাক্লা লমজাউদা চৎপদু য়েংবা য়াম্না নুংঙাইত্রে। নোংমদি মহাক ঐগী থোঙ্গালদা লেপ্লম্মী। নুংথিল পোবোবনি। ঐনা কৌশিন্দুনা মাঙ্গোলদা ফম্মিন্নৈ।

মানা হায়রকই, ‘‘কাকা, ঐ চাক চাদ্রি, ইচে অমত্তং লৈজবা অদুসু ময়ূম পানখ্রে, মাদং লৈজরবদি চরাফাওদি হেল্লোইদবনি। চাক খিৎতা চাগে কাকা! নৎত্রগা লুপা কুনখক্তা পীয়ু।’’

ঐনা চাক পীজে। লুপা চাম্মা চৎপী অমসু পীরে। মদু লৌ হায়বা য়াদে।

অহোইননা মখূৎনা ঐনা পীরুবা শেল অদু ইন্থোরকই।

ঐ চাক চারে য়ারে, শেল লৌবা ইকায়জে অরাম্বা কোক্লে হায়। অরাম্বা ফাওরিঙৈ ইকায়বা ফাওরুদ্রে অদুননি কাকা। হৌজিক্তি ঐনা মাতবু ওইনা অমুক ঈখৌ লাংলক্লে- মা হায়বদি ঐগী ইনাক্তা মতম খরদং লমদল্লম্বী মহাক অদু...।’’

ঐনা খল্লি, উম মসিগী অঙাং অসি মাবু হুন্দোক্লম্বী কায়নখ্রবী মাগী নুপী অদুগী ৱাখলদা মাঙবা তারে কলহৌদবা য়াদ্রে, অদুনা হায়রুই-

‘‘ইমোতোম্বা, নঙমুক নরাইবক ফবা মী মালেম অসিদা কদাইদবু লৈরিখিগদগে?’’

‘‘কমদৌনা কাকা?’’

‘‘নুপী থিবদি পেনামুক লায়, য়ূম পানবদি পেনামুক লায়দে’’। নঙগুম্বা চহী ২৫দমক শুরিবা নহামচা নশকসু ফজরিবা, হিরো কুম্বা য়াবমখৈ তেং দেং লাউরিবা নহাক্লা হৌজিক নুপী থিদুনা নয়ূম নকে পান্দুনা লৈথোকপা য়াবা মতমলাহে! হায়বিগে তাজৌ, তলব চাউত্রিক চাউনা চারিবা ঐমক ফাওবা নন্দোমচা অসি ইচম-চম্ম মপামদা সুম থবক চৎখিবদগী ঐগা খাইনরে ককাইনা য়ূমদা লাক্লরোইকা হায়রক্লদি ফখ্রনিদা হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরিঙৈ কানসিদা। ফরবনি নহাক্কীদি ওটোমেটিকেল্লি খাইনরে, মপূ মানা থৌজানবীরে। চীংঙু মানা কুবিরে। নহাক অনৌবা মপোক অমা পোক্লবনি। নুপী মশানা খাইনরম্লিবদো। নঙ ৱাবা কোক্লবনি। ৱেদলোক ইজ পেদলোক হায়বা অমা লৈবনি কাউনু! নঙ নরাইবক ফরবনি। পাখং ওইনা নুংঙাইনা লৈরোকো।’’

নুমিৎ অদুদগী ইমোতোম্বা য়ু ঙাওরগা লম্বীদা চৎপা উদ্রে।

# অনৌবা সিটিজনসিপ বিলনা মৈতৈদা করি

**নবকুমার ওইনা**

*মৈতৈনা* মশাগী ৱা ঙাঙবসি পূকচেল পিকপা ওইনা উবা তারবদি মশাগী ফুরুপ্তগী ঙাঙবা পূকচেল পিকপা ফুরুপ মরক্তা মৈতৈসু হিংলিবনি হায়বসি খঙবা তারকই। মরক অসিদা মৈতৈ হায়বসি কনা-কনা ওইগদৌরিবনো ময়েক শেংনা পীবা লুশিল্লকপগুম তৌশিল্লক্লি। মশাগী অশেংবা শক্তম পীনবা হোৎনবদা মদোম য়েৎশিন্নরি। মসিনা তাক্লিবদি মৈতৈসি মশা হিংজনবগী শাজৎ মশাদা য়াওশিল্লক্ত্রবা ফুরুপ অমা ওইনা উরক্লবগুম্বনি।

মীতৈ হায়রগা মণিপুরদা লৈরিবা পূম্নমক খঙনহন্নিংবা মতম অমা লৈরম্মী, চীং-তম অনীমক খঙনহন্নিংবগী ৱাফম ঙসিসু হায়নবা য়াওনরি। হৌজিক্তি মদুমক্লা লমদম অমবু মচেৎ মচেৎ থুগায়বগী শৈহৌ ওইখিবগুম থোক্লরেসু হায়নবা য়াওনরে। চীংমীশিংনা কৈদৌঙৈদা মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ৱাহৈসিগী মখাদা লৈগদৌবা লৈত্রে। মদুমক খঙজদবা মৈতৈ ময়াম অমা লৈরি। মদুমক মশানা মশা খঙজদবগী খুদম ওইরিবনি। মীতৈগী লৈবাক ওইরম্বা কায়থরক্লি।

মৈতৈ/মীতৈসু পূনবা য়াগদৌববু মাল্লক্তে। ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীনদুনা লাইরিক ওইনা, পুয়া ওইনসু পুথোক্লরি। মিথোলোজিকেল ওইবা ঙাক্তনি, সাইন্টিফিক ওইনা য়েংলবদি অনীমক লানবসু য়ারি। এন্থ্রোপোলোজি অমসুং ফোনেটিক্সকী মিৎয়েংদা মসিমা ওইরবনি হায়বা পুথোকপা ঙম্নদ্রি (লাইরিক তম্নদ্রিবগুম্বনি)। পূনশিন্নবগী ৱা ইয়া য়ানদবগুম উরি। অনীমক লাল্লি হায়বসি খঙনরবদি অনৌবা মিংথোল অমা তঙাইফদনা অথুবা মতমদা পুথোকপা তারক্লি। অপূনবগী মিংলেন অমা শাগৎপদা চমম্নবা কয়া লৈরম্বনা লোনয়ান অমদা মিং থোল্লম্বগুম খন্নরক্লে। কংলা অকোয়বদা ফুরুপ ময়াম লৈরিবদি মৈতৈ/মীতৈনা লৌশিল্লমদনা, কবোগী লম ওইরম্বগুম খন্নরিবা ককচীংনা মৈতৈ ওইরম্লিবনি। চীংদা মৈতৈ লৈতে হায়বদা ক্বাথা কাউবগুম তৌনবা, উমংলাইশিং শেন্নবা চীংদসু মৈতৈ ইরৈ লৈরমদবা কয়াসি থোকখিবা শা-লান কয়াগী চৈথেং লৈখিবনা ওইবসু য়ারিবনি। লৈঙাক্কী পাঙ্গল পাক শন্না শন্দোক্লম্লবসু মী মশীং য়ামখৎতবগী মাঙজবা কয়া লৈরক্লি। চীংলোন ৱাংমদা চাইখাইখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদবা অসিমক কান্নবা অমা ওইরক্লি। লৈবাক মনুংদদি ৱাইখুগুম চিংথনবা-চিক্লবা ঙসি ফাওবা তোক্ত্রি। মসিমক মশা মদোম মুৎচনবগী শাজৎ ওইরিবনি। অদুগসু অৱাংবা থাক্কী ওইনা লৌজরিবনি।

ফুরুপ অমনা চয়াম পোক্লগা লৈমিন্নবা অমনা মচা য়ামদ্রবদি নম্বর ৱার অমা ওইনা মী মশীং য়াম্বনা লম কনশিল্লকপসি মশানা তারকপনি। মী মশীং হেনগৎপতা নত্তনা মৈতৈ পাঙলসি মৈতৈ ফুরুপ্তগী নান্থোকপা পান্নকপা মাল্লক্লি। মৈতৈ পাঙল মনুংদসু অনী থোক্লক্লি। মৈতৈনিসু হায়, ইস্লামনিসু হায়, মুসলিমনিসু হায়, মৈতৈদগী পাঙল ওনবসু লৈরি। পূম্নমক অসিনা ময়েক শেংবা শক্তমদু শাগৎপা ঙমদে হায়বনি। হৌজিক্তি মৈতৈগী মনুংদসু বিষ্ণুপ্রিয়া ফুরুপ অমা থোক্লকপা য়াবগী ৱাফম লাক্লি। মণিপুরী হায়বা ৱাহৈ অসিদগী কছার লমদমদা মৈতৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া য়েৎনবগী ৱাফম লৈরি। কছারদা, অসামদা লৈবা মৈতৈশিং মণিপুরী ওইদ্রে হায়বা খঙনদবা লৈরি। মসিমকসু মশানা মশা খঙজদনা মুৎচনবগী শাজৎ ইরোয়নরি হায়বনি। পঙবশিং মুৎচখিবা তাবনি।

মণিপুরগী লৈঙাকসিদি য়াম্না ফজরি। অনৌবা চঙলকপনি হায়রবদি শেন্থং পীবগী চৎনবী লৈবগুম্বনি। লৈঙাক পায়বা য়াওরিবশিংনা অনৌবা চঙলকপা ওইবগীরা হায়বদি ফোংনা খঙনবা কুইদ্রিবা অমনি। মাইনোরিটি হায়রবদি পাঙলসু, ইস্লামসু, মুসলিমসু য়াওবগুম তৌরি। লাইনীংদা খায়বা ওইরবদি বুধিষ্ট, জৈন, সনামহীশিং য়াওদ্রিবনি। মথং মথং পায়রক্লিবা লৈঙাক অসিগী মীরোল থুংদবগী খুদম ময়াম থোক্লক্লি। অপঙবা মমা-মপাদি মচাশিংগী য়েক্লবা ওইরকই হায়বদুগী মথক্তা অপঙবা মচা-মশুশিংনা পুৱারীগী য়েক্লবা ওইরকই হায়বা তারক্লি। হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ য়াওনরক্তবদুনবু মৈতৈগী লমনি হায়বা তোঙানবা এরিয়া অমা লৈশিল্লক্ত্রিবনি। কোন্থিং কাগনবা কোনঙৌ মচেৎ মাল্লক্লি, মফম খুদিংদা হিংবা ঙমদনা মুৎশিল্লক্লি। মশাগী লমদনা য়ূমদাংবনা ঙমশিল্লকপগী কোয়লাউ লাউদুনা লৈবগুম্বনি। থবক অমত্তা মহয় চাবা ঙম্বগী মমি তাদ্রি।

পৈশা পায়বনা য়ারোই, ফুরুপ মুৎশিল্লক্লগা, পৈশা পায়বনা খুন্নাই অমা ওইনা ঙাক শেন দুনা থম্বা ঙম্বা হৌনদে। খুন্নাই অমদি নাট মান্নবা মীয়াম্না কনগদৌবনি। পৈশা য়াম্না পায়বা ইমুং অমনা হিংবদি য়াই, নূং মরক্তা মুক্তা অমা লোৎশিন্দুনা লৈবগুম্বনি। থঙ্গাল কৈথেলদা খুদম অদুম উগনি। পৈশা পায়বা, লল্লোনবা হৈবশিংগী খুন্নাই শাগৎপা ঙম্নরক্লিবনি। লৈবাক্কী লৈমায় মুনবা ঙল্লক্লিবনি। লৈঙাক্তি লৈ, লৈবাক্তি মাঙবা হৌরক্লবনি,। লৈঙাক্তু মীতোপকী ওইরক্লবনি, মমৈদা লৈঙাকসু মীতোপ্পা পায়খিগনি। মশাগী ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রবা হায়বসি মীতোপ্পা লৈঙাক পায়বা ঙল্লকপগী খুদমনি। পৈশা পায়বা শারগা, মপা-মপূ, মমা-মবেন শিবগী শোরাক্তা মীরোলদা ঈশৈ শক্লগা ৱাহন্থোকসু খঙদনা কপ্পা ঙম্বা অদুতা নত্তনা লুপা তরা চৎপীনা ৱাই চাইবমখৈ থাজবদা মুৎনরি। লাইফম ঙাকপদি ঙমদে (চীংদা), লাইদি নীংদে, লাইদা ঙাওই, লাইফমদি মুনখ্রে। লৈবাক মুনবদি করি লুগদৌরি। ময়ায় লমদম খরসি মালেমগী মীওই অমনা হেক্তা লৈবা য়ারিবনি। অনৌবা বিলসিনা ফুরুপ খরসু লমদম অসিদা চঙলকপা তাবনি। ফোংনা মাইক পায়রগা লাউরগা লাক্কদৌবা লৈতে। হান্নসু অথিংবা লৈতে হৌজিকসু অথিংবা লৈতে, অদুম মুৎচখিবা তাবনি। অতোপ্পা ফুরুপ মঙা তরুক অমসু লমদম অসিদা মাইনোরিটি ওইনা লৈবা য়াহল্লগনি, শেন্থং পীগনি, পীদবা য়ারোই, লোনি।

মীতোপ চঙলকপনা লো ওইগদৌবনি হায়রক্লবনি। মশা কঞ্জনবা বিল অসি য়াদে হায়বশিংবুসু লোনা ফূবা-চৈবা, ফাবা, জেলদা থম্বা য়ারি। লো শীজিন্নরিবসি লমদমসিগী মী য়েহৎনবা, ফূদৎনবা, মুখৎনবা শীজিন্নবা মাল্লক্লি। কঞ্জনবা লোদি অমত্তা লৈত্রিবগুম্বনি। ৱাকৎপা হৈত্রি, ৱাকৎ মীফম তৌবসি থবক হৌরবা নৎত্রি। কনানা থবক তৌবীগনি, থবক তৌনবা মী লৈবসু নত্তে। থবক হৈত্রিবগী থবক হৌদ্রিবনি। তৌরি হায়বনা য়ারোই, মহয় চাদ্রবদি থবক তৌদবগুম্বনি। প্লান চুল্লবদি থবক তঙ্খাই চল্লবনি হায়নবসু লৈরিবনি।

হৌখিবা চহী লিশীং অমবু হঙ্গৎনা য়েংবা য়ারি। করি মতিং থোকপা থবকপু তৌরবগে। ইপা-ইপূশিংনা চুম্বা খঙদে, লানবা খঙদে লৈবাক অমা ওইনা খোমজিনবা ঙল্লম্লে। লৈঙাক্কী মীৎয়েংদা ৱেলফেয়রগী থবক করিবু তৌরম্বগে? মীয়াম কৌখৎপা, লান চৎহনবা, থবক শূহনবা, ফৌ-চেঙ খায়গৎপা ঙসি ফাওবা হৈনবী ওইনা চত্থরি। লৈঙাক অমা লৈরে হায়রিবসি মীয়ামগী থবক তৌই হায়নবা ৱানা হোৎনরি। নাকল অমদা মীয়াম অমা ফারি, লাক্লরি, মশাগী অনীংবা ফাওবা মনীং তম্ন া ফোঙদোক্লুবদা জেলদা থমজিনবা চৎনরি। লৈঙাকসি মীয়ামসি লাকথুনবা ওইনা লৈরি।

লোগী মীৎয়েংদা মৈতৈদি লৈত্রে, লোনসু মৈতৈলোন ঙাঙদে। মণিপুরী লোনবু মৈতৈ ময়েক্ল া ইগে হায়বসি লোগী ওইনা লাল্লি। মৈতৈ ময়েক কৌরবদি চীংমীশিংনা হৈরম্বদু তোকপা য়াওরকই, লৈরম্বা লাইরিকশু মাঙহনখিবা থেংনরে। মশানা মশা পীকশিন্নবা শিনবদগী মুৎচনবা শিনবগী খুদমক ওইরক্লি। মীংচৎনা কান্নবা মতাং-মতম চাদ্রবদি মদোম শিজনবা শিনবা তারক্লি। অসামদা লৈবা মৈতৈনা মণিপুরী কৌজরগা মৈতৈগী ক্বোটা লৌবা ঙমজদে। মৈতৈ পাঙলনা হৈরিবসি বাংলাদেশকী মৈতৈনা হৈতে।

কংলৈ ময়োন্দা লৈরিবা কবুইনা, চোথেনা মৈতৈ ওইদ্রগা মোইরাংনা মৈতৈ ওইনা লৈখিগদরা? হৌজিক্তি মোইরাংসু সেদ্যুল কাষ্টতা য়াওরে, মৈতৈগী লোই ওইনা লৈরম্বগী কাঙলোন্দু শীজিন্নরে। ঙসিনা দেমোক্রেসি ওইরে, লোই ওইবা তোকখ্রে। লৈঙাক্কী রেকোর্দতা মৈতৈদি লৈত্রে (লাইনীং লৈতে, লোন লৈতে, লম লৈতে, ওটোনোমি লৈতে), মৈতৈ পাঙলনা মৈতৈদগী তোকপা য়ারবা, চোথে থাংমাই পাখঙববু মৈতৈদগী (মণিপুরী) তান্থোক্লবা করিগী মোইরাং খুমন্না মুৎলবা মৈতৈদু ওইরি হায়খিগদৌরি। মৈতৈনা মৈতৈ মুখৎলিবা কনানো খঙদনা মোইরাংনা খঙউ হায়রিব্রা, খুমন্না খঙউ হায়রিব্রা? লুপথরক্লবা হিদা তোংসি লাউ হায়বা কনানা য়াফম থোক্লিবগে? মোইরাংদি মরিংনি, কোইরেং ফুরুপনি, থাংজিং চীংসি হৌরকফমনি, চীংশাংসি চীংমীদা পীথোকফম থোক্তে। মৈতৈগী খুদুং ইন্দুনা লৈরুবদগী চীংশাং পরেংসি মাঙজবা তাবরা? মরিং ওইরগা লম পাম্বরা, মৈতৈনি হায়রগা লৈবাক্তু (মোইরাংগী) মাঙখিবা পাম্বরা হায়বগী ৱাহং থোক্লকই।

লৈবাক থুগাইনবা ৱাদি নৎচদে। শাগৎখিবগী কাঙলোন্দা অশোয়বা য়াওকিবশিং শেমদোকমিন্নবা চঙই। হৌজিক ফাওবা নাপলদা শাইগুপ শায়দুনা লৈগদৌবা মতম নত্তে, মীওইবগী অৱাংবা থাক অমসু ওইদে। য়াদে হায়বা হৌবদা ঙাইহরি, মচা নিংঙোলদি ময়াংদা থাজবা তোকপা নত্তে, মদুগী মরম ফোংনা খন্নথোকপা নৎত্রি, নুপী খুন্নাইনা য়ূম পানবা ফংজদ্রবী নুপী মশীং খঙবা নৎত্রি। নুপী খুন্নাইনা নৌনা য়ূম্বান লম্বী থিজরকপা মচা-মশুশিং কোয়তান তান্নদুনা মরূ কোকপীরিবা লমদমনি। ওক্ত-শিংদবা অদুবুদি মচি-মরুম নায়নবা তম্বীবা চঙই। পাউদুনা হেন্না তুক্কচরকই, চিংথোক-চিংথোক্তুনা নমথীবা মনম চাইখাইবগুম্বনি। য়ূম্বান লম্বীদা অকায়বা পীবনি, খুন্নাই অমা মী মশীং হন্থহল্লগা মুৎচনবা শিনবগুম্বনি হায়বা য়াওনরক্লিবনি। অফবা শাবগী ৱাতনি অমোৎপা অদুদি মালেম্না লোইনা খঙনবা ৱানি। আই এল পি লৈরবসু শাজৎশিং অসিদি থিংবা ঙম্বা নৎত্রি। মপান্দগী নত্তে, মনুংদসু হাৎনরি। হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ চৎনদ্রি।

বিল অসি পাস তৌবগী মৈ খরা চাকপা য়াই, মী খরা শিবা য়াই, মদুনা করিসু কান্নদবা তারবদি কমদৌবা? নোংচুপ হারম নোংপোক হারম চাইনবা লোইদ্রিবগুম্বনি। লান কনশিল্লক্লি, জিরি লৌশিনখ্রে, করিসু তৌরুবা ঙমদে। ৱারেপ লৈখিরোই, পূনবা হৈত্রি, পূনবগী শাজৎ চৎনদ্রি। ফুরুপকী মিংদি তিঙ্গোংসু কৌসনু, পূনবদা জাৎ তাবা ওইনা খঞ্জবা হায়বসি পূনবা য়াদবা হায়বনি। লমদম অসিদা পূন্দবা হায়বসি বিলদু শৌগৎপনি, লমদমসিগী মীয়ামগী য়েক্লবনি। লৈঙাকসিনা পার্টিগী খল্লগা বিল অসি শৌগৎপা হায়বসি চঙলক্কদৌবা মীশিংগী মীচং হান্ননা লমদম অসিদা লৈরম্লে হায়বনি। মুৎকদৌবশিংদি মুৎপা লোইরে হায়বনি।

ৱাখলগী লান অমা চঙই, মপা-মপূগা লান থেংনবা ঙম্বা অর্জুনগুম্বা অমা চঙই, লান্দা শিবা-হাৎপা অনীমক চৎনবীনি। ধর্ম্মনা য়াই, লাইনা য়াই, পুৱারীদা য়াওই, লোনসু য়াই, লৈঙাক্লসু য়াই। তৌগদৌবশিংনা থবক তৌবা হৈতবনি হায়গনি। ৱাথোক অয়াম্বা হৈতবগী ঙাক্তনি। হৈতবদা পঙবা অমসু ইরোয়নরিবনি হায়বসি হান্ননা খঙমিন্নবা তারক্লি। খুমাংদা হাক্কচরগা খুদুংদা হোৎপা হায়দু পঙবঙাক্কী নত্তে, মীনম্বগী ওইবসু য়ারিবনি। নৎত্রগনা হোৎপা হৈতবগী ওইগদৌরিবনি।

ৱারেপসু অদুম লেপসনু, থবকসু অদুম লেপখিনি। পূল্লবা মতমদদি পুন্দ্রিঙৈগী অদুগুম্না লৈবদি য়ারোই। হৈত্রিবসি মদুনি, হিংবসু হৈতবা হায়বা য়ারিবনি। হিংলোইদবশিং কনবা ঙম্বসু লৈবা হৌনদে। মুৎলবশিংনা মুৎলে হায়বা খঙদবতনি। বিলসিনা ফাইনেল বেলনি।